থম্মোয় পাউদম | হুইয়েন ইন্দু

# খা মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল - নুমিৎ নিনি'তা ঙায়রক্লে

অথোই-অহেন তানবগী থৌরম য়াওরুবা মীওই খূদিংমক্লা খ্বাইদগী লাংতক্লবসি - অথোই-অহেন চাংয়েংদুগী অরোইবা পূংফম লাক্তুনা, কনানা পজেঙ ফিরাল থেৎখ্রবগে হায়বা দিক্লারেসন অদুনি। লমজেলগুম্বা, শান্ন-খোৎনবগী চাংয়েং অমগী, কনানা কনাবু থোইখ্রবগে হায়বা অয়েংবশিংনসু খুদক্তা খঙজবা চাংয়েংদুদি অমরোমদা অরায়বনি।

শৈরেং-ৱারেং-জগোয়-ঈশৈ দ্রামানচিংবা ক্রিয়েটিব এক্সরসাইজ অসিগী অথোই-অহেন লেপ্পসি তশেংনমক অরুবনি। পার্ফোমর/আর্টিষ্ট খূদিংমক্লা খঞ্জে - মহাক্কী পার্ফোমেন্স নৎত্রগা আর্টকী খূৎশেম অদুনা খ্বাইদগী পুমথোই থোইবনি।

অসিগুম্বা, অথোই-অহেন চাংয়েংনবগী মওংদা পাঙথোকপা খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল, নুমিৎ তরুক্নি চনশিনখ্রে। ঙসিগা থানা, উৎখ্রবা দ্রামা কাঙলুপ ১২ অসিনা ঙাইরি - রিজল্ট লাউথোক্কদবা নুমিৎকী অরোইবা পূংফম। উৎকদবা ৱাৎলিবা কাঙলুপ মরি অসিনা ঙাইরিবনা - মখোয়গী লীলা উৎকদবা পূংফম।

ঙাইনরিবা পূংফম তপ্না-তপ্না নকশিল্লকপনা, তরুক্নি চনবা নুমিৎকী অহানবা লীলা, ইন্দিজিনস আর্ট এন্দ কলচরেল ফাউন্দেসন, ৱাংখৈগী এন মোনালিসা'না দিরেক্সন পীবা 'নোংমা' - নুমিদাংৱাইরম পূং ৬.৪০ দা উৎখি। ফেষ্টিবেল অসিদা উৎখিবা, নুপীনা দিরেক্সন পীবা অহানবা লীলানি। থাসিগী অহিং ওইদুনতা লৈরবা, লায়রবা মতৈ-মনাও মংলেম অমসুং লৈমা অমদি পীক্লিবা মচা অনীগী ঈমুংদুদা নোংমদি শোয়দনা থানিল (পুর্ণিমা) গী থাজ থোক্লক্কনি খন্না ঙাইজখিবা, নোংদম্বনা তাথীবিরবা ঈমুং অমগী ৱারীনি। মচা লৈজদবা, পুকচেল চাউরবা লৈকায়গী অহল (মঙ্গি) না মপা শক্লা ঈমুংদুগী ৱাত্ত-পাদ য়েংশিনবীদুনা লাকখি। রিক্সো থৌদুনা ঈমুং পুনবা হোৎনজরিবা মংলেম, লাইবক থীবা এক্সিদেন্ট অমদা তাইবঙপান থাদোকখিবদগী লৈমগী পূন্সি চাংয়েং হেন্না অহকপা ওইরকখিবদু মচানুপা থোইব'না মপূম মরৈ ফারক্তুনা থবক ফংলগা অহানবা থাগী খূৎশুমল (তলব) মমাদা খূৎশিন্নবদুনা লীলাগী শৈহৌ অমদি



পোলোই ওইবা, ফ্লাসবেক ওইনা ৱারী লীরগা শান্নবা লীলা অমনি। মপুরোইবা হিংলিঔঙদগী লৈমনা ঙাইরকখিবা নোংমদু মচানুপা হাক্তক্তা লাকখিবদু উৎপনি। ঈচম চম্বা ৱারী অমা ঈচম চম্বা লীলা ওইনা শান্নদুনা উৎপনি। অনৌবা চাংয়েং নৎত্রগা টেক্নিক অমত্তা পুথোক্ল বা হোৎনদে।

ফেষ্টিবেল অসিগী তরানিথোইশুবা লীলা, 'ঐখোয় অনী' - কংলৈ লিভিং আর্ট (কংলা), উচিৱাগী আর্টিষ্টশিংনা শান্নবনি। খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেল, লাংমৈদোংগী ফম্বাকসিদা 'কংলা, ইম্ফাল' গী মশক নাইবা, শিংথানিঙাই ওইবা লীলা কয়া পুথোকখ্রে। সংস্থান অসি পোল্লকখিবা নুমিৎতগী, খা-মণিপুর দ্রামা ফেষ্টিবেলগা তংনদবা মরী অমা লৈনরক্লি।

ঐখোয় অনী - লীলাসিগী অইবা থৌনাউজম প্রেমজিৎ মশামক - লীলাসিগী দিরেক্টরসুনি। মশক খঙবা, মশক লেপ্পা ৱারবা পূন্সিগী মশক অসি অতোপ্পা মীৎয়েং অমদা য়েংলগা মশক য়েক্লবা হোৎনরকপা খূৎই অমনি। থম্বাল কৌবী, অহল ওইরবী লুখ্রাবী অমনা অমত্তা পোকচবা মচানুপা থোইববু মশাগী পূন্সিগী নুংঙাইবা মীৎকূপ কয়া কথোক্লগা মীমান্নবা মী অমা ওইহন্নবা হোৎনরকখি। মচাগী মায় পাকপা মীৎকূপশিংদু উবা ফংদনা লাইরম্লেন্দা তিনখ্রবা মপুরোইবনা মরক-মরক মাগী মঙলান্দা লাক্তুনা অৱা-নুংঙাই পাউহংলৈ, মচাদুবু শিন্নরৈ।



মচা-মমৌগী নুংঙাইবা পূন্সি উরগা, মশুগী কুম্মৈ য়েংলগা মশাগী অপেনবা ওইজরিবী মমাবু, নুপীগী শরৈ ইন্দুনা ময়ুমদগী তোখায়না, মখোয়গী মীৎয়েং ৱাংমদা 'ওল্ড এজ হোম' অমদা থমজিনখি। মশুগী কুম্মৈ য়েংলগতা ফংজরম্বা নুংঙাইবা অদু মুনখিঙৈ, পুবা ৱারবা পোৎলুম অমা পুদুনা অনৌবা য়ুম অদুদা থুংলখি। মফমদুদা থেংনখি-মথোৎ কারক মতমদা ঈঙাও ঙাওনা থেংনখিবা, অঙাওবা পূন্সি ঈরৈনা তোঙান-তোঙানবা পূন্সি-নুমিদাংৱাইরম অদুদা মাগী পূন্সি খোঙলোয় অমা ফংলবগুম খন্নখি - থম্বাল-ইবোহল অনীমক। পূন্সিনা পীরকপা কাউঙমদ্রবা অৱা-চৈথেঙ, হৌখ্রবা মতমগী নিংশিং-ইপোম মথক্তুদা তাউদুনা কাউননবা হোৎনখি। নিংশিংবগী নুংঙাইবা - মীৎকূপ খরতগীনি। থংনবা মীৎকূপ্তা থেংনগনি, তমথীবা চৈথেঙ মতমগী।

থম্বালবু মচা-মমৌ অনীনা লৌবা লাক্লগনি তাবদা, থম্বালগী মুনবীখ্রবা নুংঙাইবা অমুক হনজিল্লগনি খল্লুবগী নুংঙাইবা, মশাগীনা পূন্সি খোঙলোয় অমা ফংলম্বদু শেৎনবগী অৱাবা - অনীনা য়ৈরকপা থম্মোয় তোবর্বান, খাঙননবা পাঙ্গল - ইবোহলদা লৈরমদে। থম্বালদা পীবা কায়ন-ৱাহৈ, মাগী পূন্সিদুমক্কী কায়ন-ৱাহৈ অসি থোকখি। পূন্সিগী অরোইবা পোত্থাফমদি মফমদুনি খন দুনা, মখোঙ থাংদোক্লু রবী 'থম্বাল'না অমুক হল্লকপদদি তূমথখ্রবা ইবোহল, অমুক হৌগৎলকখিদ্রে।

হয়েংগী লীলা, য়ুমজাও লাইরেম্বী দ্রামাটিক এন্দ কলচরেল য়ুনিয়নগী 'খল্লুদে মীৎকূপ অমত্তা', অমসুং ইক্লিপস ঠিয়েটর, কোঙ্গেং লৈকায়গী 'জগোয় শাবী' - উৎকনি।

লৌশিং পুক্কৈ

# থোং-থাকপগী মওং অমসুং হার্ট দিজিজ



চাবা-থকপদা চেকশিনবখক্তনা থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোকপা ঙমদে। চাগদৌরিবা চীঞ্জাক অদু করম্বা মওংদা থোংবগে হায়বদুসু য়েংশিনবা মথৌ তাই।

ইন্টরনেসনল রিছার্চরশিংগী টিম অমনা ফোঙদোকখিবা মতুংইন্না থোং-থাকপগী মওং শোয়রবদি চীঞ্জাক অদু চারুবদগী কোরোনরি হার্ট দিজিজ (সী ঐচ দি) ওইহল্লকপা য়াই। ষ্টদি অদুবু লুচিংখিবা য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্ঘকী স্মিথা কাকদেনা হায়খি, ইন্দিয়া, পাকিষ্টান, বাংলাদেশ অমসুং শ্রিলঙ্কানচিংবা খা এসিয়াগী লৈবাকশিংদা মৈশা কন্না পীরগা থোং-থাকপগী হৈনবী লৈ। থৌওং অসিনা কোরোনরি হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহল্লি।

চাইনাদদি থোং-থাকপা মতমদা মৈ পীক্লা লৈথরগা থোংবগী চৎনবী লৈ হায়না ষ্টদিগী রিপোর্টনা ফোঙদোকখি। চীঞ্জাক খুদিংমক মৈ কন্না লৈখৎলগা মৈশা য়াম্না ফংহন্দুনা থোংবা মতমদা ট্রান্স ফেট্টি এসিদ (টি এফ এ) অমসুং এদভান্সদ গ্লাইকেসন এন্দ-প্রদক্ত (এ জি ঈ) নচিংবা নিও-ফোর্মদ কন্টামিনেন্ট (এন এফ সী) কয়া থোরকই। মসিনা মরম ওইরগা সী ঐচ দিগী রিস্ক হেনগৎলক্তুনা থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লকপনি হায়রি।

য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্ঘকী এদিনবর্ঘ মাইগ্রেসন, এথনিসিটি এন্দ হেল্ঠ রিছার্চ গ্রুপ, সেন্টর ফোর পোপুলেসন হেল্ঠ সাইন্সেস অমসুং অশর ইনষ্টিট্যুট ওফ পোপ্যুলেসন হেল্ঠ সাইন্সেস এন্দ ইনফোর্মেটিক্সতা রিছার্চর ওইনা লৈবা স্মিথা কাকদেনা হায়খি, মৈশা কন্না পীরগা থোংবা নৎত্রগা ঙৌবগী মথক্তা খাংদা লেমহৌবা থাউ অমুক হন্না শীজিন্নবনসু হার্ট দিজিজগী রিস্ক হেনগৎহল্লি। এসিয়াগী লৈবাক খরা, মরুওইনা ইন্দিয়াদদি উয়ান নৎত্রগা খাংদা করিগুম্বা চীঞ্জাক অমা তাউখিবগী লেমহৌবা থাউ অমুক হন্না শীজিন্নবগী হৈনবী লৈ। মদুগীসু মথক্তা মরু-মরাং য়াম্না শীজিন্নে। পুম্নমক অসিনা মরম ওইরগা নিও-ফোর্মদ-কন্টেমিনেন্ট (এন এফ সী) য়াম্না থোরকপদগী হার্ট দিজিজ ওইহল্লকপনি।

খুদোংচাদবা অসিদগী ঙাকথো-ক্লবগীদমক য়ারিবমখৈ মৈ কন্না লৈখৎলগা থোংলোইদবনি অমসুং অচাথাউগী মহুত্তা ওলিভ ওইল ওইনা শীজিন্নগদবনি হায়রি। 'ন্যুট্রিসন' জর্নেলদা ফোঙলকখিবা রিপোর্ট অমদা য়ুনিভর্সিটি ওফ এদিনবর্ঘকী রাজ এস ভোপাল অমসুং নেসনল দাইবেটিস, ওবেসিটি এন্দ কোলেষ্টরোল দিজিজেজ ফাউন্দেসন (এন-দি ও সী) গী স্বাতি ভরদৱাজ অমসুং অনুপ মিশ্রানা হায়খি, ইন্দিয়া য়াওনা সাউথ এসিয়াগী লৈবাকশিংদা চৎনরিবা থোং-থাকপগী মওং অমসুং লেঙ-ওৎপগী চাং ৱাৎপনা মরম ওইরদুনা ক্রোনিক হার্ট দিজিজ (সী ঐচ দি) গী চাং ৱাংখৎলকপনি।

তোঙান তোঙানবা মফমদা চৎনরিবা থোং-থাকপগী মওং খেন্নবগী মতাংদা চাইনিজ রেষ্টোরেন্ট চেন, বুধন রাইটসকী চেফ মদন রাইনা হায়খি, ইন্দিয়াদা চৎনরিবা থৌওংগা মান্নদবা মওংদা চাইনাদদি থোং থাকপা মতমদা থাউ অমসুং মরু-মরাং কা হেন্না শীজিন্নদে। ইন্দিয়াদা হার্ট দিজিজগী চাং ৱাংবগী মরমসু মসিমক্লা ওইরম্বা য়াই।

অমরোমদা, কন্সল্টেন্ট ইন্টর-ভেনসনেল কার্দিওলোজিষ্ট সুবরো বেনর্জিনা হায়খি, হকচাংদা কান্নবা পী হায়না থাজবা চীঞ্জাক কয়াসু থোংবগী মওং শোয়রবদি হকচাং শোকহল্লকপা য়াই। ঙা চাবা ফৈ হায়রবসু থাউদা তাউরগা চারবদি থোইদোক্লা কান্নদে। মরম অদুনা দাইবেটিস অমদি কোরোনরি হার্ট দিজিজ ঙাকথোক্লবগীদমক কাঙলোন চুম্না থোং-থাকপগী মওং মীয়ামদা মমুৎ তানা খঙহনবা মথৌ তাই হায়না এপোলো গ্লেনইগলস হোস্পিটালগী কন্সলটেন্ট ইন্টরভেনসনেল কার্দিওলোজিষ্ট সুবরো বেনর্জিনা ফোঙদোকখি।

হার্টদিজিজ নৎত্রগা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজনা চহী খুদিংগী চাউখৎলবা লৈবাকশিংদা মীওই মিলিয়ন ১৭ হেন্না শিহল্লি। হার্ট য়ৌনা ঈ পুরিবা অর্টরিশিংগী ৱালদা মপং-মপং পৈশিল্লকপদগী ঈচেলদা অকায়বা থোরক্তুনা লায়না অসি ওইরকপনি। লায়না অসি ওইহল্লকপগী মরুওইবা রিস্ক ফেক্টরশিংদি মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাদবা, অয়াম্বা মতমদা ফমজিন্দুনা লৈবা, হকচাংগী অরূম্বা হেনবা অমসুং মৈখু শীজিন্নবনি।

চহী য়ামশিল্লকপা হায়বসিসু থম্মোয়গী লায়না ওইহল্লক্লবগী মরুওইবা মরম অমনি। নুপী ওইবীশিংদি চহী য়ামশিল্লক্তুনা থাগী খোঙকাপ খমখ্রবা মতুংদা ইষ্ট্রোজেন (হোর্মোন) গী চাং হন্থখিবা মরম্না হার্ট দিজিজ, ষ্ট্রোক অমসুং হার্ট ফেলিয়রগী রিস্ক ৱাংখৎলকই।

চহী য়ামশিল্লকপা অমসুং জিনদা অশোয়বা লৈবগী মতাংদদি করিসু তৌনিংঙাই লৈতে। অদুম ওইনমক পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা চেকশিন থৌরাং লৌখৎপা হায়বসি ইশা ইশাগী খুৎতা লৈবা থবক্লি। লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিংদি য়ু অমসুং মৈখু শীজিন্নবগী হৈনবী থাদোকপা, ফেট য়াওবা চীঞ্জাক চাবগী মহুত্তা উহৈ-ৱাহৈ অমসুং মনা-মশিং মরাং কায়না চাবা, চাং নাইনা হকচাং শাজেল তৌবা অমসুং মতম চানা ব্লদ প্রেসর চেক তৌবা অসিনচিংবনি।

মালেমগী ওইনা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী কেস চাদা ১০ রোমদি মৈখু শীজিন্নবদগী ওইহল্লকপনি। মশামক মৈখু শীজিন্নদ্রবসু শীজিন্নবা মীগী মনাক্তা লৈরবদি চপ মান্নবা মওংদা খুদোংথী-নিংঙাই ওই।

কনাগুম্বনা য়াম্না হন্থবা চাংদা য়ু খরা খরা থকপনা কার্দিওভাস্কুলর দিজিজগী রিস্ক হন্থহল্লি হায়নবা তারবসু হীরম অসিগী মতাংদা চপ চাবা খুদম পুথোকপা ঙমদ্রি। থম্মোয়গী লায়না ঙাকথোক্লবগী মতাংদা লৌখৎপা য়াবা খ্বাইদগী মরুওইবা থৌরাংদি, পুন্সি মহিং শেমদোক্তুনা মচি ওইবা চীঞ্জাক মচল শুনা চাবা, হকচাং শাজেল তৌবা, নীংথিনা পোত্থাবা ৱাখল চরাংনহন্দবা হায়বসিনি।

# হীদাক কান্নবা পাম্বীশিংগী মরুওইবা খঙমিন্নদুনা য়োকখৎপা চঙই: জয়ন্তকুমার




ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): হীদাক কান্নবা পাম্বীশিংগী মরুওইবশিং খঙমিন্নবগা লোয়ননা য়োকখৎমিন্নবা চঙই হায়না হেল্ঠ এন্দ ফেমিলি ৱেলফ্যের মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা ঙসি কৈশামথোং এ সীগী মনুং চন্না লৈবা মৈস্নাম নোংথোম্বম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা ৩৬৫ দেজ স্কুল এক্টিভিটিজ হৌদোকপগী থৌরমদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর ষ্টেট মেদিস্নেল প্লান্ট বোর্দ, দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশ অমদি দিভলপমেন্ট ফোর নিধি ৱেলফ্যের ওর্গনাইজেসনা শিন্দুনা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা চীফ গেষ্ট ওইনা শরুক য়ারদুনা হেল্ঠ মিনিষ্টর এল জয়ন্তকুমারনা হায়খি, লমদমসিদা য়েলহৌঙৈদগী হীদাক কান্নবা পাম্বী মখলশিংনা লায়েংবগী থবক কয়া চঠনরক্লি। হীদাক কান্নরবা তাংলবা পাম্বী মখল কয়া মণিপুরদা ফংলি। হীদাক ওইনা শিজিন্নবা য়াবা পাম্বী মখলশিং অসি নিংথিনা য়োকখৎসি।

আয়ুশকী হীদাক মখলশিং অসি হৌজিক্কী মতমদা য়াম্না পাম্না শিজিন্নরক্লি। আয়ুশকী হীদাকশিংদি সাইদ ইফেক্ট লৈতে। মমাঙঙৈদা অহল-লমনশিংনা মনা-মশিং মখল কয়া শিজিন্নদুনা লায়েংবগী থবক কয়া চঠনরম্বা লৈরি। ইপা-ইপুশিংনা থম্লম্বা মহৌশাগী ওইবা মনা-মশিংগী লায়েং কাঙলোনশিং অসি নিংশিংবা তঙাইফদে। স্কুলশিংদা হৈক্রু থানবগী থৌরাং অমসু পায়খৎপা লৈখ্রে। হৈক্রু হায়বসি হকচাংদা অসুক্কী মতীক কান্নবা পাম্বী মখল অমনি। হীদাক ওইনসু য়াম্না কান্নবা অমনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা গেষ্ট ওফ ওনর ওইনা শরুক য়ারদুনা আয়ুশকী দিরেক্টর ডা. এ গুনেশ্বরনা হায়খি, মণিপুরদা মমল তাংলবা হীদাক কান্নবা পাম্বী মখল কয়া ফংলি। তাংলবা হীদাক কান্নবা পাম্বীশিং অসি থাদুনা য়োকখৎপা চঙই। পাক-শন্না থারবদি মপানগী হীদাক্কী কম্পেনি কয়াদসু থাবা য়াগনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসনগী ৱার্দ নম্বর ৯ গী কোর্পোরেটর এস সুনিলনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা মহৈরোয়শিংগী ওইবা পেন্টিং কম্পিটিসন অমদি এসে কম্পিটিসনসু পাঙথোকখি। কম্পিটিসন অদুদা মকোক-মথং তারবা মহৈরোয়শিংদা মনা-মথুমসু য়েন্থোকখি। তোঙান-তোঙানবা স্কুল কয়াগী মহৈরোয় কয়ানা চাংদম্নবা অদুদা শরুক য়াখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তারি।

# লিগেল এৱ্যেরনেস পাঙথোক্কদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯: দিষ্ট্রিক্ট লিগেল সার্ভিস ওথোরিটি, থৌবাল অমসুং সোসাইটি ফোর সোসল চেঞ্জ, লমদিং চেরাপুরনা শিন্দুনা হয়েং নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অমা থৌবাল দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ক্বারোক মরিং ভিলেজ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোক্লগনি হায়না সোসাইটি ফোর সোসল চেঞ্জকী সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, থৌরম অসিদা দিষ্ট্রিক্ট এন্দ সেসন জজ সলাম ইমোচানা চীফ গেষ্ট, ক্বারোক মরিং ভিলেজগী চ্যেরমেন লাইদুনাং মরিংনা প্রসিদেন্ট ওইনা শরুক য়াগনি।

সোসল ৱার্কর এম মোনকামনা গেষ্ট ওফ ওনর ওইগনি। চাইল্ড ৱেলফ্যের কম্মিটি, ইম্ফাল ৱেষ্টকী চ্যেরপার্সন টি ঐচ রাজকিশ্বর, এদভোকেট বি সুপ্রিয়া অমসুং এদভোকেট পি ঐচ প্রেমলাতানা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙগনি। রিছোর্স পাসর্নশিংনা তোঙান-তোঙানবা হীরম কয়াদা ৱা ঙাঙগনি। ক্বারোক খুলগী মীয়াম্না নোংমগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম অসিদা শরুক য়াবীয়ু হায়নসু সোসাইটি ফোর সোসল চেঞ্জকী সেক্রেটরি এস সঞ্জিতানা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অসিনা মখা তানা হায়রি।

# ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১১ দা লৈবা অহল কয়াদা পেন্সন য়েন্থোকখ্রে




ককচিং, ওক্টোবর ১৯ (ঐচএনএস): লৈঙাক্লা অহল ওইরবশিংদা পীবা ওল্ড এজ পেন্সন স্কিমগী শেনফম ফংদনা লৈরিবা ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১১ গী মনুংদা লৈবা চহী ৭০ গী মথক্তা লৈবা অহল ওইরবা মীওই ৪০ দা সলাম বুধিচন্দ্র অমসুং নিলমনি নিংশিং পেন্সন য়েন্থোকখ্রে।

সলাম বুধিচন্দ্র অমসুং নিলমনি মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্ট, ককচিংনা শিন্দুনা ককচিং মখা লৈকায়দা লৈবা সলাম জয়গী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরম অমদা পেন্সনগী শেনফম অদু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা সী ঐচ নিলচন্দ্র অমসুং য়েংখোম নোপুরনা ময়ায় তাঙবলদা ফমখি।

চহী ৭০ গী মথক্তা লৈরবা অদুবু লৈঙাক্লা পীবা অহল ওইরবশিংগী পেন্সন স্কিমগী শেনফমদি ফংদ্রিবা অহলশিংদা চহীগী ওইনা লুপা ১০০০ গী পেন্সন ফংহন্দুনা মতেং পাংনবা পান্দমদা পীবনি। সলাম বুধিচন্দ্র অমসুং নিলমনি মেমোরিয়েল চেরিটেবল ট্রষ্ট, ককচিংগী মিংদা সলাম জয় ককচিং মখা লৈকায়দা লৈবনা স্পোন্সর তৌবা পেন্সন্নি।

ঙসি পাঙথোক্লিবা অসিনা অহানবা ওইনা য়েন্থোকপা হৌবনি। মখা তারকপদা চহী-চহীগী ওইনা সলাম বুধিচন্দ্র অমসুং নিলমনি নিংশিং পেন্সন য়েন্থোকপা থৌরম অসি পাঙথোকখিগনি হায়না পেন্সন অসিবু স্পোন্সর তৌরিবা সলাম জয়না ফোঙদোরকখি।

ঙসি ককচিং মখা লৈকায় নাউদম পরেংদা লৈবা সলাম জয়গী য়ুমদা পাঙথোকখিবা থৌরমদা পেন্সনগী শেনফম অদু য়েন্থোকখি। ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১১ গী মনুংদা লৈবা লৈঙাক্কী পেন্সনগী শেনফম ফংদ্রিবা চহী ৭০ গী মথক্তা লৈবা অহলশিংদা পেন্সন অদু পীবনি হায়নসু মখা তাখি।

ককচিং ম্যুনিসিপাল কাউন্সিলগী ৱার্দ নম্বর ১১ গী মনুংদা লৈবা লৈঙাক্কী পেন্সন ফংদ্রিবা অহল ওইরবা মীওই ৪০ রোমদা সলাম বুধিচন্দ্র অমসুং নিলমনি নিংশিং পেন্সনগী শেনফম য়েন্থোকখি হায়নসু পাউ অসিনা মখা তানা হায়রি।

# এ আরনা সোলর লাইট য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯: আই জি এ আর (সাউথ) কী মীৎয়েং মখাদা ১৭শুবা আসাম রাইফলসনা শিন্দুনা কামজোং দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা বুংদুং, কসোম খুলগী মীয়ামদা সোলর লাইট ১২ য়েন্থোকখ্রে হায়না আই জি এ আর (সাউথ)কী পি আর ওনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, সোলর লাইট য়েন্থোকপগী থৌরম অদুদা খুলগী হেদমেন অমদি মরু ওইবা ১০ রোমসু শরুক য়াখি। খুলশিং অদুদা ইলেক্ট্রিসিটি ফংদবনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া মায়োক্লরি।

পৱার সপ্লাই ফংদবদগী কন্নেক্টিভিটিদা শোত্থবা কয়াসু লৈরি। সোলর লাইট য়েন্থোকপগী থৌরম অদু লোইরবা মতুংদা ভিলেজ ওথোরিটিগী মীহুৎশিংগা আসাম রাইফলসকী ওথোরিটিশিংগা ৱারীসু শানখি হায়রি।

# মেমোরেন্দম পীশিল্লুগদৌরি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : আর্মদ ফোর্সেস স্পেসল পৱার এক্ট (অফস্পা) লৌথোকউ হায়বা য়াওনা হীরম কয়াগী মতাংদা য়ুনিয়ন মিনিষ্টর কয়াদা মেমোরেন্দম পীশিল্লুনবগীদমক শিব সেনা মণিপুরগী টিম অমা ইম্ফাল থাদোক্লগনি হায়না শিব সেনা মণিপুরগী প্রসিদেন্ট এম তোম্বীনা ফোঙদোরক্লি।

এম তোম্বীনা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা অফস্পা মতম শাংনা থমজিন্দুনা লৈবা অসিনা অচৌবা চৈথেং কয়া পীরি। মীওইবগী রাইট খোঙ্গাউনবা কয়াসু লৈরি। মীয়াম্নসু অফস্পা অসি লৌথোকউ হায়না খোঙজং কয়া চঙশিন্দুনা লাক্লি। জিবন রেদ্দি কম্মিসন্নচিংবা শেমদুনা হীরম অসিগী মতাংদা রিক্কম্মেন্দেসন অমা ইন্দিয়া গভর্ণমেন্টতা পীখৎপসু লৈখ্রবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

# সোসল সার্ভিস কেম্প পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস) : ৱাংজিং-তেন্থা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিগী এম এল এ পাউনম ব্রোজেননা স্পোন্সর তৌরগা য়ুনিক ষ্টার ওফ লাঙথেলনা শিন্দুনা থা অসিগী ১৮ ফাওবা রেসিদেন্সিয়েল সোসল সার্ভিস কেম্প পাঙথোকখ্রে হায়না য়ুনিক ষ্টার ওফ লাঙথেলগী সেক্রেটরি লেনিননা প্রেস্তা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়রি।

চেরোল অদুনা হায়, স্বাছ ভারত মিসনগী মখাদা লূ-নানবা খুন্নাই অমগী পান্দমদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা রেসিদেন্সিয়েল সোসল সার্ভিস কেম্প অদু পাঙথোকখিবনি। মেম্বর ১০০ হেনবনা সোসল সার্ভিস কেম্প অদুদা শরুক য়াখি। পূক্লিং-ৱাখল পুম্নমক অমোৎপা লৈতনা লূ-নানবা খুন্নাই অমা ওইহন্নবা হোৎনবা তঙাইফদে হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

# হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেল তৌবা য়ারোই : কম্মিটি

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেল তৌবা য়ারোই হায়না জোইন্ট কম্মিটি এগেনষ্ট হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেলগী প্রসিদেন্ট টি ঐচ মংলেম্বনা ঙসি পাউমীশিংগা উনবদা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা মহাক্লা হায়খি, হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেল তৌগনি হায়রিবা অসি লৌমী পাট্টাদারশিং অমদি লৌমী মীয়ামনা য়াবা ঙম্লোই। কুমজা ২০১৩ দা হৈরোক্তা অমদি কুমজা ২০১৪ দা সলুংফম অমসুং নোংপোক সেকমাইদা পাঙথোকখিবা পব্লিক মীটিংশিংদা হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেল তৌবা থিংলে হায়না লৌমী মীয়ামনা ৱারেপ লৌখ্রবনি।

কম্মিটিশিংগী জেনরেল বোদি মীফমশিংদা লৈরোংথেল, চন্দ্রখোং, ককময়াই, সেকমাই, কুম্বী, উখোংশাং, সলুংফম, হৈরোক, ৱাংজিং, খোংজোম্নচিংবা য়ুম-ইখোল অমদি লৌকোল কয়া ফাওনা ফুট ১০০ পাক্লা তৌরক্কদবা হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেল অসি তৌবা য়ারোই হায়না অকনবা ৱারেপ লৌরে। লোক্তাক প্রোজেক্টনা মণিপুরদা থবক ফংদবা নহা কয়া থবক পীগনি অমদি লৌফম কয়া ঈথৈ লৌখোং পীদুনা লৌউ-শিংউগী খুদোংচাবা ফংহল্লগনি হায়রম্বা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা লৌফম কয়া ঈশিং থুমজিল্লক্তুনা মণিপুরনা চীঞ্জাক্তা মীপান তাংবা হায়বদু ওইরি।

মমাঙদা লৌ ঈশিং পীননবা খুগা মল্টি পর্পজ প্রোজেক্টনচিংবা প্রোজেক্ট কয়া ঈশিং পীবা ঙমদনা ফেল ওইখ্রে। থৌবাল মল্টি পর্পজ প্রোজেক্টতগী থৌবাল লেফট কেনেল অসি চহী ১৫ গী মমাঙদগী ঈশিং করিমত্তা লাক্তে। কেনেল মনুং অদু ঈশিং লাক্তদুনা লৈক্রক চৎতুনা মোংশোং ওইনা লৈ। মমাঙগী লৌকোল্লোমদগী মনিংগী লৌকোনদা ঈশিং পীবা মতমদা লৈক্রক চৎতুনা লৈরিবা অচৌবা কেনেল অদু লান্দুনা ঈশিং পুবা ঙমদবনা ঈকং মায়োক্লে।

থৌবাল লেফট মেন কেনেলদগী লাক্কদবা হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেল অসিনা মথক্তা পল্লিবা কেনেল অসিদগী য়াম্না চাউবা হেনবনা নোং কন্না চূবা মতমদা কেনেল মমাঙগী লৌকোনশিং চীংদগী চেন্থরকপা ঈশিং অদু কেনেলগী ৱাল অসিনা ঙাক্তুনা লৈরিঙৈ প্রোজেক্টলোমদগী থাদোরকপা ঈশিংগা নোংগী ঈশিংগা পুল্লগা মমাঙগী লৌকোনশিং ঈশিং থুমগনি। মেরা থাগী ঈচাউ লাকপা মতমদা লৌকোনশিংগী কেনেলগী ৱাল কায়রকপা মতমদা শোকপা য়াবা ফৌ অমদি য়ুম কয়া মাঙহনগনি। লৌউ-শিংউগী মতমদা কেনেল অসিদা ঈশিং করিমত্তা লাক্লোই। হৈরোক ব্রাঞ্চ কেনেল অসিনা ফাওরক্কদবা অতৈ লমগী লৌকোনশিংসু অসুম্না অমাঙবা ওইগনি হায়নসু মখা তারি।

# লিগেল এৱ্যেরনেস কম ভোকেস্নেল ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, ওক্টোবর ১৯ (ঐচ এন এস): ষ্ট্যুদেন্ট লিগেল লিটরেসি ক্লবনা শিন্দুনা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়, জিরিবামদা নুমিৎ নীনিগী ওইবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কম ভোকেস্নেল ট্রেনিং ৱার্কশোপ পাঙথোকখ্রে।

থা অসিগী ১৬ তগী ১৭ ফাওবা লিগেল এৱ্যেরনেস প্রোগ্রাম কম ভোকেস্নেল ট্রেনিং ৱার্কশোপ অদু পাঙথোকখি।

থৌরম অদুদা আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়গী রঞ্জিৎ, এসিষ্টেন্ট এগ্রীকলচর ওফিসর, জিরিবাম এস দেবেন, ফিসরি দিপার্টমেন্টকী পি আই, আর সী দাস, চাইল্ড ৱেলফ্যের আশ্রমগী চীফ ফঙ্কস্নরি এস ইবোতোন্না প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা লিগেল এৱ্যেনেস প্রোগ্রাম অদুদা জিরিবামগী অকোয়বদা লৈবা তোঙান-তোঙানবা স্কুল ১০ রোমদগী মহৈরোয় ৭০ রোম্না শরুক য়াখি।

এসিষ্টেন্ট এগ্রীকলচর ওফিসর, জিরিবাম এস দেবেন, বি ক্যের এন্দ রিছার্স সেন্টর, জিরিবামগী মেনেজর রাজেননা রিছোর্স পার্সন ওইনা ৱা ঙাঙখি।

নুমিৎ নীনিগী ওইবা ৱার্কশোপ কম ট্রেনিং প্রোগ্রাম অদুদা পার্টিসিপেন্টশিংদা চেঙ্গুম থাবা অমদি খোই য়োকপগী মতাংদা রিছোর্স পার্সনশিংনা তাকপী-তম্বীখি। পার্টিসিপেন্টশিংদা পোৎলম কয়াসু য়েন্থোকখি।

থৌরম অদুদা জিরিবামদা লৈবা তোঙান- তোঙানবা স্কুল কয়াগী মহৈরোয়শিংসু শরুক য়াখি। আর কে সনাতোম্বী দেবী বিদ্যালয়গী ওজাশিং অমদি মহৈরোয় কয়াসু শরুক য়াখি।